# ৬৩ শুবা সী সী মীট ক্বার্টর ফাইনেল লীগ ষ্টেজ : ক্লাসা এফ সী কৈনৌ অমদি নেরোকা এফ সী সঙাকপম মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৭ (ঐচ এন এস):

মীয়াম্না সী সী মীট হায়রগা হেন্না খঙনরিবা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শিন্দুনা লমলোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দ অমদি খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ৬৩ শুবা সার চুরচান্দ সিংহ কে সী এস আই, সী বি ঈ মেমোরিয়ল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ওইনা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল লীগ ষ্টেজগী মেটচশিংদা ক্লাসা এফ সী কৈনৌনা কে আই ৱাই সী ক্ষেত্রি ইরিল মপালবু পাঞ্জল ৪-২ দা অদুগা নোরোকা এফ সী সঙাকপমনা মুভানলাই এটঠলেটিক্স কাংপোকপীবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিগী ৫৬ শুবা অদুগা ক্বার্টর ফাইনেল লীগ ষ্টেজগী অহানবা মেটচ ওইনা লমলোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা কে আই ৱাই সী অমসুং ক্লাসা এফ সী অনীগী মরক্তা অয়ুক পুঙ ১১.৪৫ তাবদগী শান্নবা হৌখি। মেটচ অসিগী ওইনা ক্লাসা এফ সীনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। অদুবু পাঞ্জল চনবদি ঙমখিদে। অমরোমদা বোল পায়বগী চাং হন্থরবসু কে আই ৱাই সীনা মেটচ অসিগী অহানবা হাফকী ৭ শুবা মিনিটতা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অদু টিম অসিগী ঙারিয়ানবম জেনিস (৮) না চনখিবনি। কে আই ৱাই সীনা চনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা ক্লাসা এফ সীগী প্লেয়রশিংনা কন্না শান্নবা হৌরকখি। মেটচ অসিগী ৩৭ শুবা মিনিটতা ক্লাসা এফ সীনা পাঞ্জল চন্নবা টার্গেট তৌদুনা পুশিল্লকখিবা বোল অমা থিংনবা হোৎনবদা কে আই ৱাই সীগী এল অমিতনা শোয়বদগী মশাগী মায়কৈদা পাঞ্জল অমা চনশিনখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদুগী অহানবা হাফকী লোইবা ফাওবদা ক্লাসা এফ সী অমদি কে আই ৱাই সী টিম অনীমক পাঞ্জল ১-১ দা মান্ননা লৈখি।

মেটচ অসিগী অনীশুবা হাফকী ওইনা শান্নখিবা অদুদসু ক্লাসা এফ সীনা বোল হেন্না পায়দুনা অহানবা হাফতা শান্নখিবা অদুদগী হেন্না ফজনা শান্নবা ঙমখি। বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখিবা অদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদুদা পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবসু ক্লাসা এফ সীনা হেন্না ফংখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অসিগী ৬৭ শুবা মিনিটতা ক্লাসা এফ সীগী এল নবচন্দ্রনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমদুনা ২-১ দা মাঙজিলথাখি। পাঞ্জল চনখিবা মতুং ইকান কান্নদনা মেটচ অসিগী ৭০ শুবা মিনিটতা ক্লাসা এফ সীগী সুধির লাইতোঞ্জমনা পাঞ্জল অমা অমদি ৮০ শুবা মিনিটতা লুনমিনলাল হাউকিপনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা পুন্না পাঞ্জল ৪ চনবা ঙমখি। কে আই ৱাই সীগী মায়কৈদগী কন্না হোৎনরবসু পাঞ্জলশিং অদু হন্দোকপা ঙমখিদে। অনীশুবা হাফকী এক্সট্রা টাইম শান্নখিবদা কে আই ৱাই সীগী শিমসন শিরাকনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। অদুবু মেটচ অদুগী অরোইবা ফাওবদা মখা তানা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু ক্লাসা এফ সীনা পাঞ্জল ৪-২ দা থোইখি।

লীগ অসিগী ৫৭ শুবা মেটচ ঙসি নুংথিল পুঙ ২.১৫ তাবদা নেরোকা এফ সী অমসুং মুভানলাই টিম অনীগী মরক্তা শান্নবা হৌখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অসিগী ওইনা বোল পায়বগী চাং অদুম্মক মান্নখি। মদুনা মরম ওইরগা অমনা অমবু লাকচনা শান্নবা হায়বদুদি ওইখিদে। মেটচ অসিগী ১৪ শুবা মিনিটতা নেরোকা এফ সীগী কে ঐচ লকিনা মুভানলাইগী মায়কৈদা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। নেরোকা এফ সীনা চনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্ন বা মুভানলাইগী প্লেয়রশিংনা কন্না শান্নখি। মেটচ অসিগী ৪০ শুবা মিনিটতা মুভানলাইগী হাউতিনসেমনা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমখিবগা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-১ দা মান্ননা লৈবা ঙমখি।

অনীশুবা হাফকী ওইনা শান্নখিবা অদুদসু অমনা অমবু লাকচনা শান্নবা ঙমখিদে। অদুবু মেটচ অসিগী ৬৪ শুবা মিনিটতা নেরোকা এফ সীনা খোঙলৈ থুনা পুশিল্লকখিবা বোল অমা টিম অসিগী লকিনা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদুনা মেটচ অসিদা মহাক্না পাঞ্জল অনী চনখি। অদুবু মুভানলাইগী ওইনা মখা তাবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু নেরোকা এফ সীনা থোইখি।

# আই এস এল : জমসেদপুর এফ সীনা এটি কে মোহন বগান মায়থিবা পীখ্রে






পনাজি, মার্চ ০৭ (এজেন্সি):

হৌজিক হৌজিক গোৱাদা পাঙথোক্লিবা ইন্দিয়ন সুপর লগীকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা জমসেদপুর এফ সীনা এ টি কে মোহন বগানবু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীদুনা মথং মেটচকীদমক শেম শাবা হৌখ্রে।

গোৱাগী পি জে এন ষ্টেদিয়ম ফাটোরদাদা লীগ অসিগী ১১০ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি নুমিদাং পুঙ ৭.৩০ তাবদগী জমসেদপুর এফ সী অমদি এ টি কে মোহন বগান অনীগী মরক্তা শান্নবা হৌখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অসিগী ওইনা বোল পায়বগী চাং অসি এ টি কে মোহন বগাননা হেনখি। মেটচ অসিদা এ টি কে মোহন বগাননা বোল পায়বগী চাং চাদা ৬৮ ওইখি। অদুগা জমসেদপুর এফ সীনা বোল পায়বগী চাংনা চাদা ৩২ খক্তমক ওইখি।

বোল পায়বগী চাং এ টি কে মোহন বগাননা হেল্লবসু পাঞ্জল চনবদি ঙমখিদে। অদুবু বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখিবা অদুনা মরম ওইরগা পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবদি হেন্না ফংখি। অমরোমদা জমসেদপুর এফ সীগী হৈ শিংলবা দিফেন্দরশিংনা এ টি কে মোহন বগাননা পুশিল্লকখিবা বোলশিং বোক্স মনুং য়ৌহন্দনা থত্তুনা থমখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অসিগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা ০-০ দা মান্ননা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী ওইনা শান্নখিবা অদুদসু জমসেদপুর এফ সীদগী এ টি কে মোহন বগাননা বোল হেন্না পায়দুনা অদুম্মক শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা জমদেসপুর এফ সীগী ওইনসু পাঞ্জল চন্নবা হোৎনবদা খুদোংচাদবশিং মায়োক্লখি। অদুবু মেটচ অসিগী ৫৬ শুবা মিনিটতা জমসেদপুর এফ সীনা খোঙলৈ থুনা এ টি কে মোহন বগানগী মায়কৈ তম্না পুশিল্লকখিবা বোল অমা টিম অসিগী রিতৱিক দাসনা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদুনা মেটচ অসিগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। অদুবু মেটচ লোইবা ফাওবদা এ টি কে মোহন বগানগী ওইনা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু জমসেদপুর এফ সীনা পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি। থা অসিগী ১১ গী নুমিদাং পুঙ ৭.৩০ তাবদা সেমি ফাইনেলগী অহানবা লেগ শান্নগনি।

# নুমিৎ ৫নি চথুরকখিবা থাঙ-তা ইন্স্ট্রক্টর ট্রেনিং কোর্স লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৭ (ঐচ এন এস):

কোংবা ক্ষেত্রি লৈকোয়দা লৈবা মীতৈ ইন্দিজিনস থাঙ-তা এন্দ কলচরেল ইন্সটিট্যুট (এম আই টি টি এ সী) গী শঙলেনদা নুমিৎ মঙানি চুপ্পা পাঙথোক্তুনা লাকখিবা থাঙ-তা ইন্স্ট্রক্টর ট্রেনিং কোর্সকী থৌরম ঙসি মায় পাক্না লোইশিনখ্রে হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা অপুনবা মণিপুর হুয়েন লানলোং লূপকী সেক্রেটরি পব্লিসিটি এন্দ ইনফোর্মেসন দিপার্টমেন্ট ও কে মোংয়াম্বনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, অপুনবা মণিপুর হুয়েন লানলোং লূপকী মীৎয়েং মখাদা মহেরোয় শেমগৎ শাগৎ লোয়শঙনা শিন্দুনা মীতৈ ইন্দিজিনস থাঙ-তা এন্দ কলচরেল ইন্সটিট্যুটকী শঙলেন দা পাথোকখিবা ট্রেনিং কোর্স অসি লোইশিনবগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা কোর্স অসিদা শরুক য়াখিবা শিন্তাকপা ৪০ রোমদা শকখঙ চেশিংসু খুৎশিন্নখি।

ইন্স্ট্রক্টর ট্রেনিং কোর্স অসিগী মরুওইবা পান্দমদি মণিপুর মনুং অমদি মপানদা লৈরিবা থাঙ-তাগী ওইবা লুপশিংগী শিন্তাকপশিংবু হেন্না মপুঙ ফাহন্নবগীদমক ক্লাস ৯-১২ কী সিলেবস নৈনবা অমদি স্কুল স্কুলশিংদা শিন্তল্লোইশিংবু মতৌ করম্না তাকপী তন্বীদুনা লমজিংগদগে হায়বা খঙহন্নবগীদমক পাঙথোকখিবনি। থাঙ-তাবু লূপ অসিনা য়োকখৎনবা অকনবা মওংদা হোৎনরিবা অসিদা মীয়াম্নসু অঙন্বা মতেং পীনসি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

# ইন্টরনেসনেল ফ্রেন্দলি মেটচশিংদা সুনিল ছেত্রি য়াওররোই

ভোপাল, মার্চ ০৭ (এজেন্সি):

থা অসিগী ২৩ অমসুং ২৬ দা বহরেন অমসুং বেলারসকী মায়োক্তা ইন্দিয়া টিমনা ইন্টরনেসনেল ফ্রেন্দলি মেটচশিং শান্নগনি হায়না থৌরাং তৌরিবা অসিদা ইন্দিয়া টিমগী ওইনা মমিং লৈরবা ফুটবোল ষ্ট্রাইকর অমা ওইবতা নত্তনা কেপটেনসু ওইরিবা সুনিল ছেত্রি মশাগী অশোকপা খরনা মরম ওইরগা য়াওবা ফংলরোই হায়রি।

ওলইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা শান্নগদৌরিবা ইন্টরনেসনেল ফুটবোল ফ্রেন্দলি মেটচশিং অসিগা মরী লৈননা থা অসিগী ১১ দগী কেম্পতা লৈদুনা ট্রেনিং হৌনবা খঙহনখ্রে। অদুবু সুনিল ছেত্রিগী অশোকপা অসি ফগৎলকপদা মতম খরা চঙগদবনা মরম ওইরগা মেটচশিং অসিদা মহাক য়াওবা ঙম্লোইদবগী



ফিভম অমদা লাকখিবনি।

অমরোমদা ভেটরান ফুটবোল ষ্ট্রাইকর অসিনা ফোঙদোকখিবদা, শান্নগদৌরিবা মেটচশিং অসিদা মহাক য়াওবা ফংলরোই খল্লুবদা নুংঙাইতবা অমদি মশা মতোমতা ইকায়জবসু ফাওই। তশেংনমক ইন্টরনেসনেল ফ্রেন্দলি মেটচশিং অসিদা মহাক্কী হৈজবশিং উথোক্তুনা শান্নগে হায়বগী ৱাখলদা হোৎনদুনা লাকখিবনি। অদুবু মশাগী ওইবা অনাবা খরনা মরম ওইরগা মহাক য়াওবা ঙম্লরোই খল্লুবদা য়াম্না নুংঙাইতবা ফাওই অদুবু মে থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা প্রিদেটরি কেম্পশিংদা মহাক য়াওবা ঙম্নবা অঙন্বা থাক্তা হোৎনগনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ফ্রেন্দলি মেটচ অসিদা মহাক মশা য়াওদ্রবসু মহাক্কী টিম মেটশিংনা য়াম্না ফজনা শান্নবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ অমদি মায় পাকপা ওইরসনু। মেটচশিং অসিদা ইন্দিয়া টিমনা মায় পাক্কনি হায়বগী চাওনা থাজবা লৈ হায়না মশাগী চহী ৩৭ শুরবা প্লেয়র অসিনা হায়খি।

অমরোমদা থা অসিগী ১০ দা ইন্দিয়া টিমগী হেদ কোচ আইগোর ষ্টিমাক অমদি সপ্পোর্ট ষ্টাফশিংগা লোয়নননা শরুক য়াগদবা প্লেয়র খুংদিমক পুনেদা পুনগনি। আই এস এলদা শরুক য়ারিবা শান্নরোয়শিংসু ক্লবশিংগী কম্মিটমেন্ট লোইরবা মতুং কেম্প অসিদা শরুক য়াগনি। অদুগা থা অসিগী ২১ দা বহরেনগীদমক টিম অসি ইন্দিয়া থাদোক্কনি।

# পেরা বেদমিন্টন ইন্টরনেস্নেলদা প্রমোদনা গোল্ড অহুম লৌখ্রে


ন্যু দেল্লি, মার্চ ০৭ (এজেন্সি):

স্পেনগী ভিটোরিয়াদা হৌজিক হৌজিক পাঙথোক্লিবা স্পেনিস পেরা বেদমিন্টনা ইন্টরনেসনেল টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী তোকিও পেরালিম্পিক্স চেম্পিয়ন প্রমোদ ভগৎনা গোল্ড মেদল অহুম লৌবা ঙমখিবগা লোয়নননা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় সুকান্ত কদমনা গোল্ড অমা অমসুং সিলভর মেদল অমা লৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল রাউন্দদা ইন্দিয়াগী প্রমোদ ভগৎনা মহাক্কী লম্বা ওইরিবা কুমার নিতেশবু য়াম্না ৱানা ১৭-২১, ২১-১৭, ২১-১৭ তা থোইবা ঙমখিবনি। প্লেয়র অনীগী মরক্তা পুন্না পুঙ ১ হেন্না মেটচ শান্নখি। দবলসকী ওইনসু ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা ভগৎ অমদি মহাক্কী প্যের মনোজ সরকারনা মখোয়গী লম্বা ওইরিবা ইন্দিয়ন প্যের কদম অমসুং নিতেসবু য়াম্না লাইনা থোইদুনা অতোপ্পা গোল্ড মেদল অমগা লৌবা ঙমখি। মিক্স দবলকী ওইনসু ভগৎ অমদি মহাক্কী প্যের পালক কোহলিনা মায়োক্লরিবা প্যের রুথিক অমসুং মানসিবু ১৪-২১, ২১-১১, ২১-১৪দা ইৱা ৱাদনা থোইবা ঙমদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা মহাক্কী ওইনা গোল্ড মেদল অহুম লৌবা ঙমখি।

অমরোমদা ভগৎনা ফোঙদোকখিবদা, টুর্নামেন্ট অসিদা মহাক্না মেদল অহুম লৌবা ঙমখিবা অসি মীয়ামগী থৌজালননি হায়খি।

# ওষ্ট্রেলিয়াগী শেন ৱার্নবু খ্বাইদগী ফবা ক্রিকেটরনি কৈদৌনুংদা হায়রোই : সুনিল গভাস্কর



ন্যু দেল্লি, মার্চ ০৭ (এজেন্সী):

ওষ্ট্রেলিয়াখক্তা নত্তনা মালেমগী ওইনা ক্রিকেটে মশান্নদা মমিং লৈরবা স্পিন্নর শেন ৱার্ননা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবা অদুবু ইন্দিয়াগী লিজেন্দরি বেটসমেন সুনিল গভাস্করনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা মহাক লৈখিদবা অসি ক্রিকেটকী ফিল্ডদা মশক নাইবা মীওই অমা ৱাৎলগনি অদুবু লৈখিদ্রবা বোলর অসিনা খ্বাইদগী ফবনি হায়বদি মহাক্না হায়রোয় হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অমরোমদা সুনিল গভাস্করনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুবু তোঙান তোঙানবা মীওই কয়ানা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকখিবগা লোয়নননা সুনিল গভাস্কর চহী য়ামশিল্লকপদগী ঙাওরে হায়দুনা করেম্নবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লরক্লি। ইন্দিয়া টুদেগী শো অমদা গভাস্করনা শেন ৱার্নবু খ্বাইদগী হেন্না ফবা বোলরনি হায়রোয়, মঙোন দগীদি শ্রি লঙ্কাগী মুরালিথরন অমদি ইন্দিয়গী স্পিন্নরশিংনা হেন্না ফৈ। শেন ৱার্নদগী মুরালিথরননা রেঙ্ক ৱাংনা লৈরি হায়খি।

অমরোমদা গভাস্করনা ইন্দিয়া টুদেগী শোদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুব মায়কৈ কয়াদগী য়াল্লবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্ল রকখিবগা লোয়নননা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকপা মতাং চাদে। লৈখিদ্রবা শেন ৱার্নগী বোল লংবগী মওং অমদি হৈ শিংবা মালেমগী মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফম অমনি। অদুবু ইন্দিয়াগী লিজেন্দরি ক্রিকেটর অসিনা শেন ৱার্ন লৈখিদবা অসিগী খুদোংচাবা লৌরগা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংবু থাকৱাংনা পুখৎনবা হোৎনবা মানবা থৌওং অসি লাইবক থিবনি হায়না ফোঙদোক্ল রকখিবগা লোয়নননা মীওই খরনা মহাকপু মখা তানা ইন্দিয়া টুদেগী শোদা কৌদনবা অমদি মহাক্কী মথক্তা অথিংবশিং থমজিন্নবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লরক্লি অমসুং চহী য়ামশিল্লকপদগী মহাক ৱাখল চোইবা হৌরে হায়নসু করেম্নরক্লি।

# ঙসি এ এফ সী ৱিমেন্স দেগী থৌরম পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, মার্চ ০৭ (ঐচ এন এস):

হয়েং অয়ুক পুঙ ৭.৩০ তাবদা লমলোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শিন্দুনা এ এফ সী ৱিমেন্স দেগী থৌরম পাঙথোক্কনি অমদি থৌরম অসিগা মরী লৈননা ভেটরান ৱিমেন্স টিমগী ওইবা এক্সিভিসন মেটচ অমসু পাঙথোক্কনি হায়না এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি জ্যোটিরমোই রোয়না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

এসোসিএসন অসিনা থাদোরকপা অতোপ্পা চেরোল অমনা হায়, চহী অসিগী এপ্রিল ১৩ দগী হৌরগা মে থাগী ২ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৭৫ শুবা নেসনেল চেম্পিয়নশিপ ফোর সন্তোস ট্রোফিদা মণিপুর টিমগী মহুৎ শিন্দুনা শান্ননবগীদমক ক্লাসা এফ সীগী লুনমিনলেন হাউকিপ অমসুং ক্লাসিক এফ সীগী খাইগুনহাউ জেয়ল হাউকিপ খল্লে। সলাম জোন্সন অমসুং প্রবিন খাঙেনবমগী মহুৎতা মখোয় অনী খনখিবনি হায়রি।

# সেপ্টেম্বর থাদা শান্নরগনি

ভোপাল, মার্চ ০৭ (এজেন্সি):

চহী অসিগী জুন নৎত্রগা জুলাই থাদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা ইন্দিয়ন চেস লীগ (আই সী এল) সেপ্টেম্বর থাগী অরোইবা শরুক্তা ওইনা পাঙথোক্লবা য়ানা লৈরে হায়না থাজবা য়াবা রিপোর্টশিংনা ফোঙদোক্লরক্লি।

লীগ অসিদা শরুক য়ারগদবা মালেমগী ওইনা মমিং লৈরবা শান্নরোয়শিং হৌজিক হৌজিক অতোপ্পা টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়ারিবা মরম্না সেপ্টেম্বর থাদা ওইনা লীগ অসি পাঙথোক্লবা ফিরেপ লৌখ্রে। অমরোমদা ৪৪ শুবা চেস ওলিম্পিয়দ ইন্দিয়ানা হোষ্ট ওইদুনা পাঙথোকপা ঙম্লবদি সেপ্টেম্বর থাদা আই সী এল পাঙথোকপদা হেন্না খুদোংচাবা ওইগনিসু হায়রি।

# ৮ শুবা মেটচতা কে সী সী কোংবা অমসুং ৯ শুবা মেটচতা আর সী এ লিলোং মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৭ (ঐচ এন এস):

অহানবা এম এন সী এ সুপরপ্লেট টুর্নামেন্ট ২০২১-২২ গী ৮ শুবা মেটচ ওইনা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মুভানলাই, ন্যু লম্বুলেন অমদি কে সী সী, কোংবা বজারগী মেটচ অদু কে সী সীনা ৱীকেট ৫ দা মায় পাকখ্রে। অমরোমদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৯ শুবা মেটচ ওইনা মোদেল হায়র সেকেন্দরি এন্দ ওরিএন্টেল কোলেজ গ্রাউন্দদা আর সী এ, লিলোং অমসুং ৱাই য়ু সী সী, ক্বাকৈথেল অনীগী মরক্তা শান্নখিবা অদুদা আর সী এ না রন ১৬ তা মায় পাকখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিগী ৮ শুবা মেটচতা মুভানলাই অমদি কে সী সী অনীগী মরক্তা মেটচ শান্নখি। ওভর ৪০ গী মেটচ অদুদা মুভানলাইনা অহানবা বেট্টিং তৌবা হৌরকপদা টিম অসিগী বেটসমেনশিং কে সী সীগী বোলরশিং মায়োক্ল বদা অৱাবা ওইখি। টিম অসিগী কেপটেন কাইখোতিনলাল হাউকিপনা রন ৪৮ লৌরম্বা অদু নত্তনা অতৈ অতোপ্পা বেটসমেন অমত্তনা রন ১৫ ফানা লৌবা ঙমখিদে। ওভর ৪০ শান্নবদা মুভানলাইনা ৱীকেট ৯ তুরগা পুন্না রন ১৪১ খক লৌখি।

মুভানলাইগী অপুনবা রন ১৪১ লান্থোক্লবা কে সী সীনা অনীশুবা বেট্টিং তৌরকপদা ওপন্নর কৈশাম গ্রানোজিৎনা বোল ৬৭ তা রন ৫১ লৌরমখি। লোয়নননা বেটসমেন আরবিন্দনা রন ২৩ অমদি এন দিজরাজনা রন ৩৪ য়ৈদুনা মায় পাকপগী অপুনবা রন ১৪৩ লৌবদা চাওনা মতেং পাংলমখি।

অমরোমদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৯ শুবা মেটচ ওইনা আর সী এ অমসুং ৱাই য়ু সী সী অনীগী মরক্তা শান্নখিবা অদুদা আর সী এনা তোস ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌখি। অহানবা ইন্নিংস অসিদা আর সী এ না ওভর ৩৬ কা বোল মঙাদা ৱীকেট ১০ মক তুরগা রন ১৭৪ লৌখি। অদুবু অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা ৱাই য়ু সী সীনা ওভর ৩৫গা বোল ১ দা ৱীকেট ১০ মক তুরগা রন ১৫৮ খক লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু আর সী এ লিলোংনা রন ১৬ তা থোইখি।

# সেভেন ব্রদর্স মেমোরিয়ল স্পোর্টস মীট হৌদোকখ্রে

জিরিবাম, মার্চ ০৭ (ঐচ এন এস):

তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লাংনোম ভিলেজগী শান্নবুংদা ঙসি লাংনোম য়ুথ ক্লবনা শিন্দুনা অনীশুবা সেভেন ব্রদর্স মেমোরিয়ল চিলচেপ কম স্পোর্টস মীট হৌনবী মতুং ইন্না ৫২-টামৈ এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এন পি এফকী প্রসিদেন্ট জোনাথন গানমৈগী মনাওনুপা অলিংপুগানমৈ, সোসল ৱার্করনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা হৌদোকখ্রে।





নুমিৎ ৯ নি চথুগদবা স্পোর্টস মীট অসিগী ইভেন্টশিংদি নুপা অমসুং নুপীগী ওইনা ফুটবোল অমসুং ভোলিবোল মেটচশিংনি। অদুগা স্পোর্টস মীট অসিদা শরুক য়ারিবা টিমশিংনা জাইরোন ৱাই সী, ফাইজেল এফ সী, ফাইতোল এফ সী-এ, ফাইতোল এফ সী-বি, লোংচাই এফ সী, রানিভেং ৱাই সী, মোলজোল ৱাই সী, লৈসাং ৱাই সী, নমদাইলোং ৱাই সী অমদি কালিনগর জিরিবামনি।

হৌদোকপগী থৌরম অসিগা মরী লৈননা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা অলিংপৌ গানমৈনা ফোঙদোকখিবদা, হৌগৎলক্লিবা শান্নববু থৱায় য়াওজবা নহাশিংনা মখোয়গী হৈ শিংবশিং অদু লোৎশিন্দুনা থম্বগী মতম নত্রে। লমদম অসিদগী মমিং লৈরবা শান্নরোয় কয়া থোকখ্রে। হোৎনববু কল্লবদি গভর্নমেন্টগী থবক তৌদ্রবসু শান্নবনা ইশাগী করিয়র শেমজবা য়ারে। মরম অদুনা শান্নরোয়শিংনা কন্না হোৎনদুনা নেসনেল অমদি ইন্টরনেসনেলগী থাক্তা শান্নবা ঙম্নবা হোৎনবগা লোয়নননা মায় পাকপা শান্নরোয় অমা ওইবা ঙম্লবদি তুংদা হৌরক্কদবা শান্নরোয় কয়ানা তমজনফম ওইরক্কনি। মণিপুরগী লৈহাউদা চাওরকপশিং মরুওইনা শান্ন-খোৎনবগী লমদা য়াম্না হৈ শিংবা ঙাক্তনি। পোক্লকপদগী শান্ন-খোৎনবগী মতাংদা থোইদোকপা মগুনশিং লোইনদুনা পোক্লকপা ঙাক্তনি। মরম অদুনা মসিদা মথৌ তারিবদি মশাগী টেলেন্টশিং অদু মীয়াম মমাংদা উথোকপা ঙম্নবা হোৎনবা অসিনি। ইশানা হৈজরিবা অদু মীয়াম মমাংদা মফম মতম চানা উথোকপা ঙমদ্রবদি অরেম্বদা মাঙগনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা লৈসাংফাই ভিলেজগী চ্যেরমেন সৈদাবিদ খোঙসাই, ওল্দ কৈফুন্দাইগী চীফ লেতিনথাং খোঙসাই অমদি এন পি এফকী মরুওইবা মীওইশিংসু শরুক য়াখিবগা লোয়নননা শান্নবগী কান্নবশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোক্লখি।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



## PUZZLE NO. 393

**Kortschnoj, Viktor (2665) - Karpov, Anatoly (2725)**
**World Championship 29th Baguio City (17), 1978**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.c4 Nf6 | 2.Nc3 e6 | 3.d4 Bb4 | 4.e3 O-O |
| 5.Bd3 c5 | 6.d5 b5 | 7.dxe6 fxe6 | 8.cxb5 a6 |
| 9.Nge2 d5 | 10.O-O e5 | 11.a3 axb5 | 12.Bxb5 Bxc3 |
| 13.bxc3 Ba6 | 14.Rb1 Qd6 | 15.c4 d4 | 16.Ng3 Nc6 |
| 17.a4 Na5 | 18.Qd3 Qe6 | 19.exd4 cxd4 | 20.c5 Rfc8 |
| 21.f4 Rxc5 | 22.Bxa6 Qxa6 | 23.Qxa6 Rxa6 | 24.Ba3 Rd5 |
| 25.Nf5 Kf7 | 26.fxe5 Rxe5 | 27.Rb5 Nc4 | 28.Rb7+ Ke6 |
| 29.Nxd4+ Kd5 | 30.Nf3 Nxa3 | 31.Nxe5 Kxe5 | 32.Re7+ Kd4 |
| 33.Rxg7 Nc4 | 34.Rf4+ Ne4 | 35.Rd7+ Ke3 | 36.Rf3+ Ke2 |
| 37.Rxh7 Ncd2 | 38.Ra3 Rc6 | 39.Ra1 ... | |

**QUESTION :**

**Black to Win**

**Puzzle 392 Ans. :**

36. Qc7+ Ke6 37. Rg6+ The white rook deflects Black's queen away from protecting the square e7. Qxg6 38. Qe7# Swallow's tail mate

1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com